HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ



নুঙৌরোক বেপটিষ্ট চর্চতা পাঙথোকপা ইম্ফাল মোরে হায়ৱে ৱেলফেয়র কন্মিটিগী ১৪শুবা মপোক নুমিৎ থৌরমদা লৈখিদ্রবা ফাউন্দর মেম্বর মরিগী ইমুং-মনুংদা এপ্রিসিএসন সর্টিফিকেট পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা

জহেরা শাবী হায়না মীয়াম্না খঙনরিবী ফিল্ম এক্ট্রেস রোমিতা
☛ লামায় ২

পুং ৭২গী জেনরেল ষ্ট্রাইক লোইশিনখ্রে
☛ লামায় ৩

থিয়েটরদা ‘অজাদি কা অমৃত মহোটসব’
☛ লামায় ৫

কোভিদনা লৈখিদ্রবশিংগী এক্স-গ্রেসিয়া লুপা লাখ ৪/৪ পীবীয়ু : ইবোবী
☛ লামায় ৬

ইম্ফালগী ইসেন্ট ইসটিট্যুট ওফ পেরা মেদিকেল সাইন্সেস এন্দ স্কিল দিভেলপমেন্টতগী পেরা মেদিকেল কোসশিং লোইশিল্লবা সেদ্যুল্ড ত্রাইব পেরা মেদিকেল ত্রেনিশিংদা টি এ এন্দ হিলসকী মিনিষ্টরনা সর্টিফিকেট য়েন্থোকখিবা



Vol. 45, Issue No. 243 | নোংমাইজিং, হিয়াঙ্গৈগী ২৩/২৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, November 28, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

CALL 1950
TO KNOW ABOUT POLLING STATION
Chief Electoral Officer, Manipur

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**HL Poll**

Q: Scheduled tribe listta meetei/ meitei chalhangadabani haiba world meetei councilgi manglan election mamangda mangfaonagani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q: Rulling partysing luchingliba political party amagi ticket tannabada thokhanningdaba thoudok thoraktanaba hotnaba chumloidra?

Yes 86% No 14%

**অস! লোইরেহে!**

- ঐ লাক্লে চাহৌরো, থকহৌরো।




- ৱেলকম, চাহৌ থকহৌরগা লোইরে।

## মিনিষ্টর অমগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ক্রিমিনেল কমপ্লেন্ট কেস

# চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টনা দিজিগনেটেদ কোর্টতা ফোরৱার্দ তৌবগী মতাংদা খন্নগদৌরি



**লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননদি কমপ্লেনেন্ট এগজামিন তৌরবসু মখোয়গী জুরিসদিক্সন মনুং চন্দবদগী কেস লৌখৎতবনি হায়না কোর্টতা ফোঙদোরক্লে**

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টর অমগী মথক্তা ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল (কমপ্লেন্ট) কেস অমা কোর্ট অসিনা লৌখৎতুনা খন্নরগা কোগনিজেন্স লৌরবা মতুংদা চত্থরকখিবা কেস অসিগী প্রোসিদিংদা মরী লৈনরিবা পুলিস ষ্টেসনদগী ওফিসল ওইবা রিপোর্ট ফাওবা লৌখৎলবা মতুংদা ফাইল তৌরক্লিবা কেস অসি সিটিং এম এল এ (মিনিষ্টর) অমগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ওইবনিনা কেস অসি ফোর্মর অমসুং সিটিং এম পি/এম এল এশিংগা মরী লৈনবা কেসশিংগী ৱায়েল চত্থনবা লৈরিবা দিজিগনেটেদ স্পেসল কোর্টতা ফোরৱার্দ তৌবগী মতাংদা খন্নরগনি হায়বগী ওর্দর পীখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অমগী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা কেস অসিগী নম্বর ক্রিমিনেল (কমপ্লেন্ট) কেস নম্বর ৩৮ ওফ ২০২১নি। কেস অসি চৎলিবা চহী অসিদা কোর্ট অসিনা লৌখৎপনি। কেস অসি মিনিষ্টর অসিগা মরী লৈনরকপদগী য়ূম্বান পুন্সিদা খোঙদামিন্নবগীদমক লুহোংবগী মহুৎ শিনবা মণিপুরগী চৎনবী অমা ওইরিবা ‘কৈন্যা কংপা’ গী থৌরম ফাওবা পাঙথোকখ্রবনি হায়দুনা ক্লেইম তৌরকখিবী নুপী অমনা পিটিস্নর/কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবনি। অদুগা পিটিস্নর/কমপ্লেনেন্ট অসিনা এক্যুজশিং ওইনা চিংশিল্লক্লিবনা মিনিষ্টর অসিগা মহাক্কী লোয়নবীগনি।

কেস অসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টনা লৌখৎলবা মতুং মমাঙ থাগী ১৫দা কেস অসিদা এক্যুজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরক্লিবা মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী লোয়নবীদা কোর্টকী মায়কৈদগী কেস অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিং লৌখৎনবগীদমক সমন নোটিসশিং ইস্যু তৌখি।

কোর্টনা ইস্যু তৌখিবা সমন নোটিস অদুদা কেস অসিগা মরী লৈননা এক্যুজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরক্লিবা মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী লোয়নবীবু চৎলিবা থা অসিগী ১১গী অয়ুক পুং ১০.৩০দা কোর্টতা এপিয়র তৌরনবা অমসুং কেস অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিং কোর্টনা লৌখৎলকপদা শরুক য়ানবা ‘প্লিদর’ অমগা লোয়ননা শোয়দনা (ৱিদাউথ ফেল) লাক্লবা খঙহনখিবনি।

চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টনা ওক্টোবর ১৫, ২০২১দা ইস্যু তৌখিবা সমন নোটিস অসিদা লেপখিবগী মতুংইন্না কেস অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিং থা অসিগী ১১দা কোর্টনা লৌখৎখি। নুমিৎসিদা কেস অসিগী পিটিস্নর/কমপ্লেনেন্ট ওইরিবী নুপী অদু মহাক্কী মহুৎ শিনগদবা কাউন্সেলগা লোয়ননা কোর্ট কারকখি। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

HL-P/7272/10th Nov to 10 Dec.

## এয়রপোর্ট দ্রগ কেস

# এক্যুজ ৬কী মহুত্তা উকিলশিংং কারকখ্রে

**দেল্লীদা লৈবা ফার্মাসি অমগী প্রোপ্রাইটর কোর্টনা মচিন হংখ্রে**

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : ঙসিদগীনা চহী ৮ লোমগী মমাঙ জন্যুৱারী ১১, ২০১৩দা দেকান কার্গোনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখিবদগী মতম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা লৈরম্বা স্পেসল ইন্টেলিজেন্স য়ুনিট (এস আই য়ু) গী ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎনা লুচিংবা টিম অমনা ফাগৎখিবা কার্টোন বোক্স ৭ পিক থনবা আইননা থিংলবা দ্রগশিং ফাগৎখিবগী ‘এয়রপোর্ট দ্রগ কেস’ হায়না খঙনরক্লিবা কেসকী চত্থরক্লিবা ৱায়েলদা কেস অসিগী বেলদা লৈরিবা এক্যুজ তরুকমক্কী মহুৎ শিন্দুনা মখোয়গী উকিলশিংনা কোর্ট কারকখিবগা লোয়ননা দেল্লীদা লৈবা ফার্মাসি অমগী প্রোপ্রাইটর ওইবা কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস অমা কোর্টনা মচিন হংখ্রে।

সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) কোলকটানা কেস লৌখৎতুনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরবা মতুংদা ফাইল তৌরকখিবা চার্জশীটতা য়ূম্ফম ওইদুনা কেস অসিগী ৱায়েল চত্থরকখিবা উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস) ফাষ্ট ত্রেক্ট কোর্ট, মণিপুরগী কোর্টতা থা অসিগী ২৫দা কেস অসিগী এক্যুজ তরুক্কী মহুৎ শিনবা কাউন্সেলশিং এপিয়র তৌরখি।

কেস অসিগী এক্যুজশিংনা পটনাগী রাজেন্দ্রনগরদগী রজনিসকুমার (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা মহেন্দ্র প্রসাদ, উত্তর প্রদেশকী ঘাজিয়াবাদতগী রামভির টিয়াগি (৪৫) অপোকপা সটিস টিয়াগি, ...মখা লামায় ৩ কলম ৭




